# শক্লাইরবা খুনুং ঈশৈ শৈশকপা থোঙাম গোশে মৈতৈ



মীওইবগী চহী হায়বসি খঙহৌদে, লিশল্লক্লে খল্লগা খল্লগা নহা অদু ওইনা লৈবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী খুনুং ঈশৈগী শৈশকপা থোঙাম গোশে মৈতৈসু অমনি। মশাগী চহী ফনা য়ামজরবসু, ৱাখল অমদি মশাদি ইনৌতা নৌরি। অদুবু মতম হায়বা অসিনা অসুম অসুম লাকশিল্লকপনা, মমাংঙৈগী মপাঙ্গল অদুমক্তি ময়েং তাশিল্লক্লে। অদুবু খোঞ্জেল, শৈশক অমদি নুংদা ফাওরিবা ঈশৈগী ইথিল অদুদি ময়েং তাবা লৈতে। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ঈশৈ নোংমাইবুদি য়াম্না পামজরকখি। লৈকায়দা মতমদুদা মতম মতমগী ওইনা পাঙথোকপা খোংজোম পর্ব, পেনা ফমশক, বাসোকনচিংবা ঈশৈ শৈদা কয়া তাবা চৎলকই। অসুক্কী মতিক পামজনা ঈশৈ মখল মথেলশিং থৱায় তানা তাজরকখি হায়না ওজাগা ৱারী ৱাখোং শানজবা মতমদা অসুম্না থন্বী।

লমদম অসিদা মফম চাউনা কন্দুনা লৈখ্রবা, কনাগুম্বা অমনা হেক শীনবদা পাক ওইথোক্লরোইদবা অমা ওইরিবা তাঙলবা খুনুং ঈশৈ শৈশকপা অমনি থোঙাম গোশে মৈতৈ। থোঙাম গোশে মৈতৈ, কুমজা ১৯৫০গী ওক্টোবর ১০দা নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তা ওজা গোশে মৈতৈ তাইবংদা ফাওরকখি। অপোকপগী মিংনা থোঙাম অচৌবা সিংহ অমসুং অপোকপীগী মিংনা থোঙাম ওংবী কমলা দেবী কৌই। হৌজিকমক্তি উরিপোক লম্বোই খোংনাংখোংদা য়ুমলিংদুনা লৈরি। ঐখোয়গী ফুরুপ অসিগী মরুওইবা শক্তম অমদি নাৎপু য়োকখৎতুনা মৈনা ৱাই তাংনা শম পরিং নাইনা পুথরক্তুনা হৌজিক ফাওবদা মতু-মমান তেখৎনা লৈরিবশিংগী মনুংদা মৈতৈ শৈশক খুনুং ঈশৈ, পেনা ঈশৈ হায়বসিসুনি। মতমগী লৈরোলনা অসুম অসুম কুপশিল্লক্তুনা শৈশক অসি মাঙশিল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না মীপায়নরিবনি। অদুবু ওজা গোশে মৈতৈনদি খুন্নাই অসিনা হেক লৈরিবমখৈ শৈশক অসি কৈদৌনুংদা মাঙবা লৈরোই হায়না য়াম্না পুকচেল চাউথোক্লা তাকপীরিবনি। মরমদি শৈশক অসিদা ঐখোয়গী শিংলিদা চেল্লিবা ঈগী ঈচেল অদুগী মশক য়াওরিবনি। শৈশক অসিনবু লৈত্রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিসু লৈরোই। অদুনা অনীমক অসি শুংথা থাদোক্লবা য়াদনা চৎলিবা অমনি হায়না থন্বীরি। অমরোমদা ওজাগী ৱাফম অসিসু য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। ঐখোয়গী খুনুং ঈশৈদি ঐখোয় মৈতৈগী পাঙ্গল, লৌশিং, হৈ-শিংবা, হৈনিংবা, মীৎয়েং, পুন্সিরোল শুনা য়াওরিবনি। থিবা হুম্বা ৱাৎপদগী ঐখোয়না মশক মুন্না খঙদবনি। খুনুং ঈশৈ শৈশকপা অমা ওইবা হায়বা অসি ইচম চম্বা খোঞ্জেল ফরে হায়নরিবা অমনসু পাক হেক ওইবা য়াবা নত্তে। ঈশৈ অসিনা ফোঙদোক্লিবা অমদি হায়নিংলিবা কয়া অদু মতম অমত্তদা ৱাহৈ, ৱাতা, খোঞ্জেল, তাম্থা য়াওনা পুন্না থোরক্কদৌরিবনি। শৈশক অসি লৈরম্বনসু ঐখোয়গী ইতোপ তোপ্পা মশক অমা মালেমদা শাগৎচবদা খ্বাইদগী মরুওইবা অমসু ওইরিবনি। অদুনা শৈশক অসি মৈতৈগী পুন্সিরোলগদি য়াম্না মরী লৈনৈ।

ওজা গোশে মৈতৈ অহানবদদি মৈতৈ ঈশৈ শক্লক্কনি হায়বসি মহাক মশামক ফাওবা কয়া থাজদে। মহাক্লা পামজনা তম্লকপা ঈশৈগী লম অসি মায়কৈ ফাংই। হিন্দুস্থানি সঙ্গীত, মনোহরসাইসু নীংথিজনা ওজা জপান তোনুগী মখাদা তম্লকখি। কোন্নথংদা মৈতৈ ঈশৈ অসিদি ইহান হানবা ওইনা স্কুল তম্লিঙৈ ক্লাস আইট তম্বা মতমদা (তোম্বীসনা হায় স্কুলগী মহুৎ শীন্দুনা) ষ্টেটকী মহৈরোয়শিংগী ওইনা পাঙথোকপা ঈশৈগী কম্পিটিসন অমা মতমদুদা জোনষ্টোন হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা অদুদা তোম্বীসনা হায় স্কুলগী জিওগ্রাফিগী ওজা অমনা খুল্লং ঈশৈ অমা তম্বীদুনা পুথোকপীরগা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখি। মতমদুদা অহানবা পোজিসন লৌখি। অসুম্না খুনুং ঈশৈ শকপগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লক্তুনা ওজা কয়াগী মনাক্তা চৎতুনা শৈশক শৈদা মখল কয়া তমজরকখি। ইহান হানবা ওইনা লমদম অসিগী মশক মমিং লৈরবা, হৌজিকমক্তি লৈখিদ্রবা খোংজোম পর্বগী ওজা নামৈরাকপম ইবেমনিদগী ফোক ঈশৈ শকপা তমজরকখি। অসুম্না ৱাঙুগী ওজা খোংনাং, উয়ানগী ওজা ইবোমচা কয়াগী মখাদগী ঈশৈশিংগী খোলহেক খোন্দা, অমদি শৈশক কয়া মমুৎ তানা তম্বা হৌজরকখি। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা খুনুং ঈশৈ শকপগী ওদিসন য়াওখি। অহানবা য়াওবদা ফেল ওইখি। অনীরকশুবা য়াওবদগী ওজাবু খনগৎলক্তুনা রেদিওদা ঈশৈ শকপা হৌরকখি। মতমদুদগী ওজাগী




মিংচৎ অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখি। ওজা গোশে মৈতৈ, লমদম অসিগী খুন খূদিংদা লাই হরাওবদা, দান্স দ্রামা কয়া অমা পানখৎতুনা ময়ামদা তম্বীরকখি। মতমদুদা ঈশৈ কয়া অমসুং ওজানা শেমদুনা জগোয়গী অনৌবা খুৎথেক কয়াগা চুশিন্ননা শেম্লকখি। হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্না ঈশৈশিং অদু কাউনদ্রি। লোং খোনবা চৎপগী ঈশৈগী মনুংদা- "খোইনৌ ইতা চান্নবী, খ্বাংদা তুঙ্গোল য়াল্লদুনা, খুৎতা লোংবু পায়রগা, লেম্লৈ ঙাবু ফাবা তান্নরুসি"; "খোইনৌ ইতা চান্নবী, লাক্লো লাক্লো ইতারোই, লোইবী চীংশাং চৎতুনা পামেল শিংজা লাংলুসি" শুরবুদি হান্না লৈজরম্বনি অদুবু ওজানা ময়েক হাপচিন্দুনা অমদি ঈশৈগী মশক অমা শাগৎনবা হোৎনরকখি। অদুগুম্লবা তাঙলবা ঈশৈ কয়াশিং অদু ঙসিদি লমদম অসিগী মরল ওইদুনা লৈহৌরে। লাই হরাওবা খূদিংদা মতমদুগী ওজানা শকখিবা ঈশৈ কয়া অদু ঙসিসু তাবা ফংলি। খুনুং ঈশৈবু চাউখৎনবা অমদি য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা, নহা ওইরিবা কয়াবু তাকপী তম্বীবগী থবক হৌজিকসু য়াম্না কন্না চত্থরি। লোয়নন্না মতম মতমগী ওইবা থৌদোক কয়াশিং, লুহোংবনচিংবা কয়াদা ঈশৈ শক্তুনা খুনুং ঈশৈগী মতিক ময়াই অসি শন্দোক্লি। থাবল চোংবা মতমদা ওজাগী টিম শেমদুনা মফম কয়াদা লেপ্তুনা থাবল ঈশৈ শক্লি। মদুনা ঐখোয়গী হৌরক্লোন অমদি থাবল চোংবগী ফজবা মশক কয়া অদুগী মথ্বায় হাপ্লি। ওজানা ঐখোয়গী শৈশক শৈদা অসিবু কন্নবা হোৎনবদা চোকথবা লৈতনা হোৎনরিবা কয়া অসিবু খঙবীরদুনা লমদম অসিগী সাহিত্যগী লূপশিং- কলচরেল ফোরম মণিপুর অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ওজাগী মফমদা এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নবীখ্রে।

থোঙাম ওজা গোশে মৈতৈগী য়াম্না পাম্নবা শৈশক কয়া অমা হৌজিক লৈরি। মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবশিংগী মনুংদা মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশক অমা ওইরিবা "লোইকুম লোইকা" হায়বসিসু অমনি। মসিদা ওজানা তাঙ্কক কয়া থোক্লা ঈশৈগী শরুক্লা নম্না য়াওদুনা দ্রামাটাইজ তৌবীরগা মীয়ামদা প্রজেন্ট তৌবীরকখি। লোই কাবা, লোই কুম্বা। মসিদা নুংঙাইরবা কুম্মৈগী মথেল অমসু ওইরি। ওজগী লোইকুম লোইকা অসি মতম অমা মণিপুরদা কেসেট ফোঙবা য়াম্না কন্না চৎনরিঙৈ মতমদসু ওজানা কেসেট ওইনা ফোঙবীদুনা মীয়ামদা খুদোল তম্লকখি। হৌজিকসু লোইকুম লোইকা অসি অখন্নবা শীনবা থৌরমশিংদা শকপা তারি। ওজানসু য়াম্না মপুং ফানা থৌগল তৌবীরি। লমদম অসিদা খুনুং ঈশৈ শকপা নহা কয়া অমদি হৌজিক থোরকপা উরে। অদুবু শৈশক অসি য়াম্না মতিং লৈনা হিংহন্নবা হোৎনবদা মায়কৈ কয়াদগী থৌদাং লৌবীগদবদি লৈরি। অখন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শৈশক অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা লৌবীরিবা থৌদাংদগী খরা হেন্না অখন্নবা মীৎয়েং অমা চঙবীরবদি হেন্না শাফগনি। মতম অমদদি শৈশক শৈদা কয়া অসি মশা মরোমদোম হিংজবা ঙম্লন্মী। লৈকায় খুঙ্গং খূদিংদা শৈফম কয়া কয়া শীল্লন্মী। হৌজিক্তি মতমগী মতুইন্না কনা অমত্তনা থওইনা খোংজোম পর্ব কৌদুনা, খুনুং ঈশৈ কৌদুনা অমদি পেনা কৌদুনা তানখিদবা কুইরে। অখন্নবা থৌরম খরদা তৌদবা য়াদবদৌনা শীনবা ওইবনা মায়কৈ অসোমদা থৱায় য়াওনা চঙশিঞ্জরিবা কয়াগী হিংবগী মতাংদা ৱাহং ওইনা থোরক্লে। অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু, ঐখোয়গী শক্তম অমদি ঐখোয়গী পুন্সিরোলগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা শৈশক অসিবু হিংহনবদা লৌবীবা য়াবা থৌদাংশিংগী মনুংদা, হৌরক্লিবা নহাশিংদসু ঐখোয়বু শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শৈশক কয়াশিং অসি কৌদুনা তাহনবা অমদি তামিন্নবা, লোয়নন্না মসিগী মরমদা খঙননবা নৈন-থৌরমশিং শীনবীরগদি হেন্না শাফগনি। অদুনদি, লমদম অসিগী মীয়ামগীসু চাউরবা থৌদাং লৈ। ঐখোয়না ঐখোয়গী তাঙলবা শৈশক অসিবু য়োকখৎপা হায়বসি লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ অসিগী মীপুম খূদিং চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঐখোয় মতম চুপ্পদা নীংশিংনবা চুমগনি।

ওজা থোঙাম গোশে মৈতৈ, মতম শাংনা নাদ-য়েক্তনা পুন্সি নুংশাংনা, পাঙ্গল কন্না লৈবীদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু লমজিংবীবদা তাইবং শেম্বীরিবা মপু মহাক্লসু ওজাগী ৱাখল লৌশিং পুন্সি পীনবীয়ু হায়দুনা নীজরি।

- *নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৯।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
লাংবনগী থানিল।

**মেষ:** লাই-গুরুনা চানবীবা ৱাৎপা অমদি পঙলদি চাদিং হেন্না তৌবা নুমিৎনি। অরং-অরাক/ ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা, য়েক্লবা ঙমবা, লন চঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** ৱাখল থোকপা, লন চঙবা, হকচাং নুংঙাইবা হেনবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমিৎনি। লৌশিংগী মতেংনা হেন্না ওইজবা ফংগনি। মীৱা লৌরদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** মীচং লৈগনি, শেন্দোং চাওনা ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি, নচা-ননাই/মীয়াম লোয়নবগী নুংঙাইবসু ফংগনি। য়েক্লবদি মপাঙ্গল কল্লি-মুক্লরুনু মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** নীঙবা মপা চারোই অদুনা হেন্না আশা চাওগনু। থবক্কী লমদদি মায় পাক্কনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি, কিদবনা শেল অমদি মীংচৎ য়াম্না তানশিনবদি ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ:** য়েৎনবদি লৈরোই, লৈরসু মায় পাক্কনি, খজিক্তং খন্থরগা থৌ পাঙউ-মায় পাক্কনি। মীয়াম্না চাল্লি-মখোয়গা লোয়ননবা হোৎনৌ। হন্থবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- ওইদবা তৌদ্রদি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** ওইজ-ওইথক ফংগনি, ৱাখল থোক্কনি, অফবা খোঙশাল লৈগনি। শকখঙদবদৈদি চেকশিল্লু, অনম তানগনু, নাইতোম অরুবা ৱা তুপ্পা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** অশাওবা অমদি ফিংববু ফাথরদি মাঙগদবা অমত্তা লৈরোইদবা নুমিৎনি। থবক পাঙবগী অমদি লন চঙবগী নুংঙাইবা লৈগনি। নথক থোংবনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী য়াম্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** মতম মাঙবা, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা নুমিৎনি। অরং-অরাক ফংগনি, অরিবা অফবা মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি, য়েৎপা হৈবনা মফম কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** মীয়াম্না য়ানবা চৎপনা লাই-গুরুনসু চানবীগদবা নুমিৎনি। পন্দুনা লৈখিবা শেল থুম ফংবা য়াই, নাইতোমদি থৌ পাঙদবা ফৈ। মহু চাওবনা নচা-ননাই মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** ফিংবা, অনম তানবা, মতাং চাদনা থৌনা ফুদোকপা য়াদবা লৈ। লাইবক ফবনা মায় পাকপদি হৌরনি, পাঙনিংবা থবকসু পাঙগনি, মীরক চঙবা নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কুম্ভ:** অরং-অরাক লৌবা য়াবা, পোরম শীন্দোকপা হৈবা, মীনসু থাগৎপিবসু লৈগনি। য়েৎনবনা মাঙজবা, অনম তানবনা মাঙজবা, য়েক্লবনা নরলদা মীতাবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- তপ্পা চৎলু কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিন:** হরাওবা নুংঙাইবা, নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জবা অমদি অয়েৎপা লৈরম্লসু কোকচবা নুমিৎনি। অরুবা থবক্কী লমদদি অখঙ অহৈ তান্নবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# প্রেসকী মীওইদা খুৎ থাবা শিব সেনা মণিপুরনা কন্দেম তৌই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): অহিং-নুংথিল, নোংজু-নুংশা মরক্তা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা প্রেস অমদি মীদিয়াগী মীওইদা খুৎ থাবা শিব সেনা মণিপুরনা কন্দেম তৌই হায়না শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) চিংথাম চন্দ্রমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক মণিপুরদা দ্রগস অমসুং সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সশিং শীজিন্নবা থিংনবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ৱার ওন দ্রগস ২.০ হায়না লাউথোক্তুনা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। মসিগা লোয়ননা চীংগী লমশিংদা পোপী থারম্বা কয়া থিংবগা লোয়ননা মহুৎ শীন্দুনা শেম্থোক লম্বী লৈগদবা উহৈ-ৱাহৈ থাহন্নবা মরূ-মরাংশিং অমদি চারা পীদুনা কন্না হোৎনরি। লোয়ননা চীংগী নিংথৌশিং অমদি মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী খুৎয়েক খোমদুনা মশা-মশাগী খুলগী মফমদা পোপী থাহল্লরোই হায়দুনা অইবা চেরোল ওইনা গভর্ণমেন্টতা পীশিন্নরক্লি। অসুম্না মায়কৈ কয়াদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মাঙহল্লক্লিবা ইচা-ইশু, নহারোল কয়াবু কলহৌনবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈরিবা হট্টা গোলাপতিদা দ্রগ লল্লোনবগী থবক তৌবা অমদি চাবা গেঙ খুৎপু লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী মদুবু ফাবা চৎলুবা মীওইশিং অমদি মীদিয়াগী মীওইশিংদা নোংমৈ কাপ্লকপগা লোয়ননা খুৎশু-খুৎলায় পায়দুনা অতম্না লাইফ এটেম্প তৌরকপগী মওংদা প্রেসকী মীওইনি হায়দুনা শক তাক্লবা ফাওবদা খুৎ থারক্তুনা অশোক-অপন থোকহনববু শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা ফৎত্রবা মীওইশিং অসিবু ফাদুনা মতুংদা অমুক তৌরক্তনবা মতিক চাবা পারা অমা লৈঙাক অসিনা তম্বীদুনা লৈবাক অসিদা লো লৈ হায়বসি খঙহনবা মতম থেংমল্লবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী অসিগুম্লবা অফবা খোঙথাং অসিদা শিব সেনা মণিপুরনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মতুংদসু অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সেরৌদা লাংবন চার তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মৈতৈ থাচৎ লাংবনগী ১৫নি পানবা থানিল নুমীৎতা পাঙথোকপা লাংবন চার তম্বগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেরৌদা লৈবা ইমা নুঙথোং শিদবী লাইরেম্বী (মালেম ইমা)গী ইরেলদা পাঙথোকখ্রে।

সনামহী লাইনিং (সলাই) ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৩০০ রোম্না শরুক য়াদুনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা পনাও-শিংনাও তমদুনা ইপা-ইপুশিং অদুগী য়াইবী থৱায়শিং অদুনা লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুসনু হায়না থৌনিজ খিবগা লোয়ননা ইমা নুঙথোং শিদব লাইরেম্বী (মালেম ইমা)গী মফমদা চাদা নাওদা পীনবীনবা, ইমোম শাৎতবা শাৎহনবীনবা, পারী শাৎতবা শাৎহনবীনবা, খুঞ্জাও লৈচাওনবা অমদি লৈবাক মরা চেৎহনবীনবা থৌনিজখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লাংবন চার তম্বগী থৌরম অদুদা সলাই ককচিংগী সেক্রেটরি মঙাংচা রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, লাংবনগী ১৫নি পানবা থানিল নুমীৎতা লাংবন চার তম্বগী থৌরম অসি য়াম্না মরুওইখ্রবা থৌরম অমনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী ইনাৎ-লাইনিংগী হঞ্জিনবগী মতম অদু ওইরে। ইপা-ইপুশিংগী লাইনিংদা হঞ্জিন্দুনা ঐগী ইরম অমদি পাগী পারী থিদুনা ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা মণিপুরী খুন্নাই অমা, মালেম অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেরৌদা লৈবা ইমা নুঙথোং শিদবী লাইরেম্বী (মালেম ইমা)গী ইরেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ৩০০ রোম্লসু ইরাৎ থৌনিজখি।



Title : Fashionable Bird
By : Laishram Hayden
Class : II Sec : C Roll No. : 7
School : Pitambara English School



Title : A Girl
By : Raj Kumari Rashni
Class : VI Sec : Venus Roll No. : 16
School : Areca School



Title : Rose and Love
By : Linthoi Moirangthem
Class : VI Roll No. : 2
School : Sekmaijin High School




Title : House
By : Alex Moirangthem
Class : Nursery Roll : 50
School : TIMES



Title : Scenery
By : Thokchom Ashalata
Class : IV
School : Regular English High School



Title : Manipur Flag
By : Khwairakpam Shinajit
Class : Nursery
School : Kangleipak Modern School



Title : Ball
By : T. Ronik
Class : I Roll : 25
School : Maheilen Education Centre



Title : Cute Anime Girl
By : Telheiba
Class : V Roll : 21
School : Maheilen Education Centre



Title : Lion
By : Affahna
Sec: III Sec : D Roll No. : 43
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Lizard
By : Chabungbam Jeshurun
Class : II Roll : 16
School : Sevio English Higher Sec. School



Title : Village Scenery
By : Thokchom Chinglemba
Class : III Sec : C Roll : 33
School : S.R.H.S.S.



Title : Moirang Khamba
By : Mangal Senjam
Class : III (B) Roll : 18
School : Memorial Model Academy



Title : Murmaid
By : Mangalleima
Class : III (A) Roll : 19
School : Standard Roberth Higher Sec. School



Title : Car
By : S. Lamnganba Meetei
Class : III Sec : B Roll : 49
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Flag
By : Y. Lanchenbi Devi
Class: V Sec : X Roll No. : 4
School : Galaxy High School



Title : A Girl
By : Riminson
Class : V Roll No. : 33
School : Maheilen Education Center Haotal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।